# কে বি বি জিম তেরাগী এল রিশিকান্তনা সেনিয়র অমসুং অক্স জিমগী ঐচ মিনাকেতননা জুনিয়রগী ওভর ওল টাইতল লৌখ্রে






ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর এমেচর বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসন ( এম এ বি বি এ) না শীন্দুনা ঙরাং নোঠ এ ও সিদা লৈবা অশা হোলদা পাঙথোকখিবা ১০ শুবা মিষ্টর কংলৈপাক ২০১৯দা কে বি বি জিম তেরাগী লাইতোঞ্জম রিশিকান্ত সিংহনা সেনিয়র কাঙলূপকী ওভর ওল টাইতল অদুগা অক্স জিম ককচিংগী ঐচ মিনাকেতন মৈতৈনা জুনিয়র কাঙলূপগী ওভর ওল টাইতল লৌখ্রে।

সেনিয়র সোতকী কাঙলূপ্তা য়ুনাইটেদ জিম মণিপুরগী এল নেতা সিংহনা অহানবা, শলাই বোডি স্কপচরগী খাইদেম ৱাশিংতন সিংহনা অনীশুবা, এস বি বি এফ ক্লাকৈথেলগী নিরপেন সিংহ কেনা অহুমশুবা, কে বি বি তেরাগী চিংখোঙানবনা মরিশুবা অমসুং অমোম সুরজ মৈতৈনা মঙাশুবা তাখি।

সেনিয়র মিদিয়মগী কাঙলূপ্তা দি জিম রিবোনগী মরাদোনা খেক্মিময়ুমনা অহানবা, য়ুনাইটেদ জিম মণিপুরগী ৱাঙ্খৈরাকপম প্রিয়োব্রত সিংহনা অনীশুবা অমসুং ষ্টার জিমগী অয়েকপম জগদিসনা অহুমশুবা তাখি।

সেনিয়র টোলগী কাঙলূপ্তা কে বি বি তেরাগী লাইতোঞ্জম রিশিকান্ত সিংহনা অহানবা অমসুং শঙাই জিমগী মুতুম অমর সিংহনা অনীশুবা তাখি। সেনিয়র সুপর টোলগী কাঙলূপ্তা গোল্ড জিম শিংজমৈগী আর কে সুরেস সিংহনা অহানবা, এস বি বি এফ ক্লাকৈথেলগী লোঙজম শান্তিকুমারনা অনীশুবা অমসুং কে বি বি তেরাগী থিয়াম প্রেমজিৎ মৈতৈনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র সোতকী কাঙলূপ্তা প্রাভাবটি ফিটনেস সেন্টর ৱাঙ্খেগী লাইশ্রম গোপেশ্বর মৈতৈনা অহানবা, সুবোল ফিটনেস সেন্টর ওইনামগী মুতুম সঞ্জিৎ সিংহনা অনীশুবা, জিম ২৪ গী লাললেন দিমজেলনা অহুমশুবা, লাইনিং থৌ লম অহিংবা ফিটনেসকী শোরাইশম কামচানা মরিশুবা অমসুং এস বি বি এফ ক্লাকৈথেলগী থৌনাওজম এলেক্সনা মঙাশুবা তাখি।

জুনিয়র মিদিয়মগী কাঙলূপ্তা অক্স জিম ককচিংগী ঐচ মিনাকেতন মৈতৈনা অহানবা, কে বি বি তেরাগী শোরাইশম প্রিয়াঙ্করনা অনীশুবা, ষ্টার জিম ক্লাকৈথেলগী কৈশাম জেমসন মৈতৈনা অহুমশুবা, লাইফ ষ্টাইল ফিটনেস জিম শঙাইপ্রৌগী মাইবম রোনাল্ডনা মরিশুবা অমসুং শলাই বোডি স্কপচরগী রোনি মোইরাংথেমনা মঙাশুবা তাখি।

সব-জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা এস বি বি এফ ক্লাকৈথেলগী অবুজাম অমরজিৎ লুৱাংনা ওভর ওল টাইতল লৌখ্রে।

সব-জুনিয়র মিদিয়মগী কাঙলূপ্তা দিবাইন ফিজিক্স জিম খুরাইগী য়েন্দ্রেবম রাকেস সিংহনা অহানবা, ষ্টার জিম ক্লাকৈথেলগী পোৎশঙবম চন্দ্রকান্তনা অনীশুবা, আর এফ এ থৌবালগী নোংথোংবম সদানন্দানা অহুমশুবা, প্রাভাবটি ফিটনেস সেন্টর ৱাঙ্খেগী হৱাইবম সুরদাদসনা মরিশুবা অমসুং শলাই বোডি স্কপচরগী মৈস্নাম রোনাল্ডোনা মঙাশুবা তাখি।

সব-জুনিয়র সোতকী কাঙলূপ্তা এস বি বি এফ ক্লাকৈতেলগী অবুজাম অমরজিৎ লুৱাংনা অহানবা, ষ্টার জিমগী রোবার্ট ময়াংলাঙবমনা অনীশুবা, এন এফ সি নম্বোলগী সনাজাউবা নোংমাইকাপমনা অহুমশুবা, মাউন্টেন জিম থাংমৈবন্দগী থৌনাওজম অজয় সিংহনা মরিশুবা অমসুং য়ুনাইটেদ জিম নাওরেমথোংগী এম ডি সাহাবস সাহানা মঙাশুবা তাখি।

মেন'স ফিজিক্সকী কাঙলূপ্তা কে বি বি তেরাগী মারাদোনা য়ুম্নামনা ওভর ওল টাইতল লৌখ্রে।

মেন'স ফিজিক্স বিলো ১৭০ সেন্টিমিটরকী কাঙলূপ্তা সুবোল ফিটনেস সেন্টর ওইনামগী মুতুম সঞ্জিৎ সিংহনা অহানবা, মাউন্টেন জিম থাংমৈবন্দগী থৌনাওজম অজয় সিংহনা অনীশুবা, ষ্টার জিম ক্লাকৈথেলগী রোবার্ট ময়াংলাঙবমনা অহুমশুবা, শলাই বোডি স্কপচরগী রাজকুমার কেন্সননা মরিশুবা অমসুং প্রাভাবটি ফিটনেস সেন্টর ৱাঙ্খেগী হৱাইবম সুরদাসনা মঙাশুবা তাখি।

মেন'স ফিজিক্স অবব ১৭০ সেন্টিমিটরগী কাঙলূপ্তা কে বি বি তেরাগী মারাদোনা য়ুম্নামনা অহানবা, গোল্ড জিম চিঙামথক্কী সুরফরাসনা অনীশুবা, সিলিও প্রাত্রা ফিটনেস সেন্টর নম্বোলগী এন নিরঞ্জন সিংহনা অহুমশুবা, কে বি বি তেরাগী থিয়াম প্রেমজিৎ মৈতৈনা মরিশুবা অমসুং প্রাফেক ফিটনেস সেন্টর পোরোমপাৎকী টি মালেমঙানবা মৈতৈনা মঙাশুবা তাখি।

মাষ্টর কাঙলূপকী চহী ৪০ গীদা এস বি বি এফ ক্লাকৈথেলগী কাঙজম দিনেসনা অহানবা, দি জিম রিবোনগী ডা. থোঙাম শত্যাকুমারনা অনীশুবা, শঙাই জিমগী মুতুম অমর সিংহনা অহুমশুবা অমসুং শলাই বোডি স্কপচরগী খাইদেম ৱাশিংতন সিংহনা মরিশুবা তাখি।

মাষ্টর কাঙলূপকী চহী ৫০গী দা য়ু ফিটনেস সেন্টরগী নামৈরাকপম ওজিৎনা অহানবা, সুবোল ফিটনেসকী শলাম তোমচানা অনীশুবা, কে বি বি তেরাগী কিরন সিংহনা অহুমশুবা অমসুং ষ্টার জিমগী লোইতোংবম হেরামনি সিংহনা মরিশুবা তাখি।

মাষ্টর কাঙলূপকী চহী ৬০ গীদা কে বি বি তেরাগী চান্দম ইন্দিরানা অহানবা, এস বি বি এফ ক্লাকৈথেলগী ঙারিয়ানবম বিরমঙ্গোল সিংহনা অনীশুবা অমসুং জিম অসিগী আর কে নরানশেনানা অহুমশুবা তাখি।

ফিজিকেলি চেলেঞ্জতা জিম ২৪গী য়ুমলেবম চিংলেননা অহানবা তাখি।

ৱুমেন'স বোডি বিল্ডিংগী কাঙলূপ্তা কে বি বি তেরাগী ইঙুদম কাবিতানা অহানবা, দি জিম রিবোনগী সোনিয়া লৈশাংবমনা অনীশুবা অমসুং জিম অসিগী এন বিচিত্রনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র সুপর টোলগী কাঙলূপ্তা আর এফ এ থৌবালগী শৌগ্রাকপম কিসন সিংহনা অহানবা অমসুং প্রাফেক্ট ফিটনেস সেন্টরগী টি মালেমঙানবা মৈতৈনা অনীশুবা তাখি।

জুনিয়র টোলগী কাঙলূপ্তা শলাই বোডি স্কপচরগী এস ঐচ মলেমঙানবা মৈতৈনা অহানবা, সিলিওপ্রাত্র ফিটনেস সেন্টরগী এন নিরঞ্জন সিংহনা অনীশুবা অমসুং ষ্টার জিমগী লাইতোংবম ফিলিপ সিংহনা অহুমশুবা তাখি।

# ইন্দিয়া য়ু-১৫ কেম্পকীদমক মণিপুরদগী শান্নরোই ৯ কৌরক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ ইং ২০২০গী ওক্টোবরদা বাহরেনদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সি য়ু-১৬ চেম্পিয়ন্সিপ ২০২০দা শরুক য়ান্নবগী ইন্দিয়া য়ু-১৫গী টিম শেম্নবগী গৌৱাদা লৈবা এ আই এফ এফ ত্রেনিং সেন্টরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রেনিং কোচিং কেম্পকীদমক মণিপুরদগী শান্নরোই ৯ কৌরক্লে হায়রি।

চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর ১৫ দগী হৌগদৌরিবা ত্রেনিং কোচিং কেম্প অসিগীদমক কৌরকখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি- পাওগৌমাঙ সিঙসন, এস প্রিতম মৈতৈ, এল সিবাজিৎ সিংহ, টি মহিসন সিংহ, ৱাই রেনেদি সিংহ, এল তাইসন সিংহ, সি ঐচ রতনবি সিংহ, এস য়োহেনবা মৈতৈ অমদি এন সির্দাদ নি।

হায়রিবা শান্নরোইশিং অসি নাবেম্বর ১৪ ফাওবগী মমাঙদা ওরিজিনেল পাসপোর্ট, ত্রেনিং কিদস, বাটদ সার্টিফিকেটকা লোয়ননা গৌৱাগী ত্রেনিং সেন্টর অসিদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# শন্তোস সিংহ খল্লক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ ওডিসাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিংঙ্গা ষ্টেদিয়ম নয়াপলিদা পাঙথোক্কেদৌরিবা অন্দর-১৬ বোইজ নেস্নেল টিম কোচিং কেম্পতা শরুক য়ানবগীদমক শন্তোস সিংহ ইরেংবম খল্লক্লে।

মহাক চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর ১ দা ওরিজিনেল ভেলিদ পাসপোর্ট, বার্টৰ্দ সার্টিফিকেট অমসুং অধার কাদকা লোয়ননা কোচিং কেম্প তৌগদৌরিবা মফমদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# অনৌবা আই কাদ ইশু তৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী শান্নরোইশিংগী অনৌবা আই কাদ ইশু তৌনবগীদমক্তা এসোসিয়েসন অসিদা এফিলেট তৌরবা মিনি, সব-জুনিয়র, জুনিয়র অমসুং সেনিয়র প্লেয়রশিংনা চহী অসিগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা মরি লৈন্নবা চে-চাংগা লোয়ননা নমথোক্লবা ফোম এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী এন শ্যামকুমার সিংহদা পীশিনলক্লবা খঙহল্লক্লি।

মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী আই কাদ পায়হৌবদা শান্নরোইশিংদি ষ্টেট টুর্নামেন্ট অমসুং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াবা য়ারোই লোয়ননা ফোমনা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিস নত্রগা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসনশিংদগী ফঙগনি।

# জামখোলেট ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

মোরে, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ গালঙম লেনতোন মোরেদা ঙসিদগী অহানবা জামখোলেট মেমোরিয়েল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টকী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ, মোরে য়ুঠ ক্লবগী প্রসিদেন্ট হাওজা লালা, সোসিয়েল ৱাকর লেটমিনলাল হাওকিপনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

লোয়ননা টি য়াঙনোম ভিলেজগী চীফ শৈজাং বাইতে, দি মোনাফাইগী চীফ জামখোলেন মার্তে অমসুং মোলদেনোমগী চীফ ঙামলুন হাওকিনপসু স্পিসিয়েল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

# এম য়ুগী বোক্সিং অমসুং সেপ্রাক তাক্রৌগী টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বরদা মিরুটকী সি সি এস য়ুদা পাঙথোক্কদবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি বোক্সিং মেন এন্দ ৱুমেন টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ দা শরুক য়ান্নবগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি বোক্সিং টিম শেমখ্রে।

নুপাগী কেজি ৪৯দা এন এল সিগী এম ডি নাজিমুদিন, কেজি ৫২ দা এন বি সিগী এল রোহিট, কেজি ৫৭ দা কোলেজ অসিগী কে লক্কিসন, কেজি ৬০ দা টি লনচেনবা, কেজি ৬৩ দা ঐচ নন্দাকুমার, কেজি ৬৯ দা এন বি সিগী এ মাইকেল মৈতৈ, কেজি ৭৫ তা এম এম সিগী এল রোনালসন, কেজি ৮১ দা রিজনেলগী রুকিন অমসুং কেজি ৯১ দা বি এম সিগী দিঙসননি।

নুপীগী কেজি ৪৮ দা এস কে দব্লিউ সিগী গ্রেস য়ুম্নাম, কেজি ৫১ দা এন বি সিগী এল মান্সি চনু, কেজি ৫৪ দা কুম্বীগী কে ঐচ বিনাতা চনু, কেজি ৫৭ দা এন জি সিগী দব্লিউ রোজিতা, কেজি ৬০ দা এল এস সিগী দেসানিয়া অমসুং কেজি ৬৪ দা লিবরেলগী মায়ুরিনি।

অমারোমদা ইং ২০২০ গী জানুৱারি অমসুং ফেব্রুৱারিদা রোহিল খান এম জে পিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি সেপ্রাক তাক্রোদা শরুক য়ান্নবগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী টিম শেমখ্রে।

নুপাগীদা বি এম সিগী ই বিকাস, দি এম সাইন্সকী মিদা মারিং, কে কে সিগী টি ঐচ রোবার্ট, লিভরেল কোলেজগী হেপিসন, কুম্বী কোলেজগী দিপক, মঙ্গোলঙানবী কোলেজগী এম রিশিকান্ত, মণিপুর কোলেজগী জাবেদ অমদি দি এম আর্টসকী পিরানকেশ্বরনি।

নুপীগীদা সিল্লা এলাংবম, ই সনাতোম্বী, এম সন্ধিয়ারানি অমদি ঐচ দাইনানি।

হায়রিবা শান্নরোইশিং অসি নবেম্বর ২ গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস এম য়ুদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# মোহমদ সলাগী পাঞ্জলনা লিভরপুল মায় পাকহন্দুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লেঙদনা লৈহনবা ঙমখ্রে




লন্দন, ওক্টোবর ২৮ (এজেন্সি)ঃ হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা এন্দফিল্ডদা শান্নখিবা ইংলিশ প্রিমিয়র লীগকী মেটচ অমদা লিভরপুলগী কেপ্টেন জোরদান হেন্দরসন অমসুং মোহমদ সলানা অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোলনা টোটেহামবু ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিদা লিভরপুলগা নক্নবা লম্বা ওইরিবা মেনচেষ্টর সিটিদগী পোইন্ট ৬ মাঙজিল থাদুনা টেবলগী মকোক্তা খোঙফম চেৎনা লৈদুনা লীগ টাইতলগী কেম্পেন হেন্না খুমাং চাওশিনবা ঙমখ্রে।

মেটচ অসিগী মিনট ১ চৎপদা লিভরপুলগী হেন্দ্রসননা শোইবদগী টোতেহামগী সিসোকোনা ফঙখিবা বোল অদু য়ুম্বুগী মিল্ডফিল্ডর ৩ লাম্বোক্লগা মহাক্কী টিমমেট সোনদা খায়দোক্লবা মতুং এসিয়ান মচা অসিনা শাফু কন্না কাওশিনখিবা বোল অদু পোষ্টকী ওইথংবদা পান্দুনা থকথোরকখি। অদুবু টোতেহামগী ষ্ট্রাইকর হেরি কেনদা চপ চান্না তাদুনা মহাক্না য়ার্দ ৮ লাপ্পা মফমদগী তৌশিনখিবা হেদ্দিং অদুনা লিভরপুলগী গোলকিপ্পর এলিসন বেক্ররবু মায়থিবা পীদুনা মেটচকী গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা এন্দফিল্ডকী মীয়ামদা অঙকপা অমগা লোয়ননা তুমিন তুমিন লৈন্নহনখি।

টোতেহামনা গোল মাঙজিল থাখ্রবা মতুংদা লিভরপুলগী মায়কৈদগী মখোয়গী পোজিসনদা চাউনা অৱাৎপা অহোবা লৈখিবা অদু মেনশিনলক্কুনা টোতেহামগী মায়কৈদা পীবা প্রেসরদি হনবা লৈখিদে।

অহানবা হাল্ফ লোয়দ্রিঙৈ মমাঙদা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা টোতেহামগী গোল কিপ্পর গজালিগাবু কয়ারক হন্না চায়েং তৌখি অদুবু মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফতা জরগন ক্লোপকী টিমনা শোখরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎন্নরক্কুনা অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্কুনা খোঙজেল য়াঙনা শান্নবা হৌরক্কুনা কোচিটিনোগী টিমবু চরাংনবা পোকহনখি।

মেটচকী মিনট ৫২ চৎপদা লিভরপুলনা চখরকপা এটেক অমদা দিনিরোসনা রোবাটো ফরমিনোবু মার্কিং তৌন্নবা হোৎন্নরিঙৈদা হেন্দ্রসননা টোতেহামগী দিফেন্সকী অহোবগী তাঞ্জা লৌদুনা ভোল্লিদা কাওশিনখিবা বোল অদুনা গজানিগাবু মায়থিবা পীদুনা গোল হন্দোক্কুনা ১-১ দা মান্না লৈহন্দুনা হোমফেন শিংগী হরাওবা খোঞ্জেলনা এন্দফিল্ডগী ষ্টেদিয়ম নীনখি।

লিভরপুলনা লেপ্পা লৈত্তনা লেমহৌরিবা মিনটশিংদা এটেক হেন্না কনশিন্নবা অমসুং দিফেন্স লাইনদা মপাঙ্গল হাপকৎন্নবগীদমক ইংলিশ প্রিমিয়র লীগকী এক্সপ্রিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই জেমস মিলন্নরনা জিনি ৱাইনদমগী মহুৎ শীন্দুনা জরগন ক্লোপনা থাজিনলকখি।

মসিগী মতুং তারকপদা মেটচকী মিনট ৭৫ চৎপদা সাদিও মেনেনা খোঙঞ্জেল য়াঙনা বোক্স তম্মা পূশিনখিবা বোল অদু থিঙনবা হোৎনবদা সরজি ওরিয়রনা ফাওল তৌরুবগীদমক লিভরপুলগী মায়কৈদা পেনাল্টি অমা ফঙখি।

পেনাল্টি অদু মোহমদ সলানা মহাক্কী ওইনা লিভরপুলগী কেরিয়রদা এন্দফিল্ডদা শান্নবগী ৫০ শুবা গোল ওইনা চন্দুনা মহাক্কী টিমবু ২-১ দা মাঙজিল থাহনবা ঙমখি। মেটচকী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা টোতেহামনা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা শান্নখ্রবসু লিভরপুলগী ভেনদাইকনা লুচিঙবা দিফেন্স লাইননা মশক থোকপা প্রাফোমেন্স পীখিবনা মেটচকী অরোয়বা মীকুপ ফাওবা খোঙফম চেৎনা লেপ্পা ঙমখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচশিংদা আসনেল অমদি খৃষ্টাইল পেলেস গোল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা মেন য়ুনাইদেনা নোরৱিস সিটিবু ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

| | Club | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Liverpool | 10 | 9 | 1 | 0 | 23 | 8 | 15 | 28 |
| 2 | Man. City | 10 | 7 | 1 | 2 | 32 | 9 | 23 | 22 |
| 3 | Leicester City | 10 | 6 | 2 | 2 | 25 | 8 | 17 | 20 |
| 4 | Chelsea | 10 | 6 | 2 | 2 | 23 | 16 | 7 | 20 |
| 5 | Arsenal | 10 | 4 | 4 | 2 | 15 | 14 | 1 | 16 |
| 6 | Crystal Palace | 10 | 4 | 3 | 3 | 10 | 12 | -2 | 15 |
| 7 | Man United | 10 | 3 | 4 | 3 | 13 | 10 | 3 | 13 |
| 8 | Sheff Utd | 10 | 3 | 4 | 3 | 9 | 8 | 1 | 13 |
| 9 | Bournemouth | 10 | 3 | 4 | 3 | 13 | 13 | 0 | 13 |
| 10 | West Ham | 10 | 3 | 4 | 3 | 12 | 14 | -2 | 13 |

# আই লীগতা শান্নবা ফঙখিবা অসিনা এক্সপিরেন্স কয়ামরুম ফঙখি : মোইরাংথেম থোইবা



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৮ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা আই লীগকী ২০১৮-২০১৯ সিজনদা শরুক য়াবা ফঙখিবা অসিনা মহাক্কী ফুটবোল মশান্নগী কেরিয়রদা এক্সপিরেন্স কয়া পীদুনা তোঙানবা ইনোৎ অমসু হাপখি হায়না পঞ্জাব এফ সিগী শান্নরোই মণিপুরদগী মোইরাংথেম থোইবা সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা এ এফ সি য়ু ১৬ চেম্পিয়ন্সিপতা ক্লাটর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা অমদি হৌখিবা সেপ্তেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা এস এ এফ এফ য়ু ১৮ চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেল লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোই অমনি। আই লীগ সিজন ২০১৮-১৯ দা পঞ্জাব এফ সিগা ইন্দিয়ান্স এরোসকা শান্নখিবা মেটচ অমদা পঞ্জাব এফ সিগী টিমদা য়াওদুনা ইহান হান্না সেনিয়ারগী লীগতা শান্নবা ফঙখিবনি।

সেপ্তেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা য়ু ১৮ এস এ এফ এফ কপতা মায় পাক্লকপশিংবু ওকপগী থৌরমগা মরী লৈননা এজেন্সি অসিগা মহাক্না অখন্নবা উনবদা মহাক্না হায়, আই লীগতা শরুক য়াবা ফঙখিবা অসিনা মশানা অসিদা এক্সপিরেন্স কয়ামরুম তনশিনবা ঙমদুনা হেন্না হৈশিংবা হেংগৎহল্লি। মসিদবু নৎতনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎচৎতুনা মেটচশিং শান্নবা অমদি মমিং লৈরবা শান্নরোই কয়া দ্রেসিং রুমদা পূন্না ৱারী ৱাতাই শান্নবা ফঙবদগী ঐঙোনদা তোপ তোপ্পগী ইনোৎ অমা লীগ অসিদগী ফঙবা ঙম্মি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অসিগুম্বা অচৌবা লীগ অমদা মমিং লৈরবা, এক্সপিরেন্স লৈরবা শান্নরোইশিংগা শান্নমিন্নবা ফঙবা অসিনা মঙোন্দা থৌগল্লোন, ৱাখল খনবগী চাং অমদি শান্নরিঙৈদা ফীরেপ লৌবগী হৈশিংবা কয়া অমদি হেংগৎহল্লি।

সেনিয়ার প্লেয়রশিংনসু কান্নবা পাউতাক কয়া পীদুনা মতেং কয়া অমসুং পাংলকখি। মখোয়না তুংদা হকচাংগী ফীভম করম্না ফানা থমগদগে হায়বনচিংবা কয়া অমসুং তাকপীরক্কুনা পূন্সিদা অচৌবা অওনবা অমা পুরকপা ঙমখি হায়খি।

লীগ অদুদা দিফেন্দর ওইনা শান্নবা মরম্না মপাঙ্গল কনবা শান্নরোই কয়াগা থেংনবগী তাঞ্জা কয়াসু ময়োক্নরকখি, মতম অদুদা পূক্লিং ৱাখলদা মহাকসু মখোয়দগী তাবা শান্নরোই নৎতে হায়না চেৎনা থাজদুনা ময়োক্লবা ঙমখি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

আই লীগ ২০১৮ দা চেম্পিয়ন ওইদুনা পঞ্জাব এফ সিনা এ এফ সি চেম্পিয়ন্স লীগ প্লে ওফ অমদি এ এফ সি কপশিংদা শরুক য়াবা ফঙখি লোয়ননা হায়রিবা মেটচশিং অসিদা থোইবসু মেটচ অমত্তা চিৎথদনা শরুক য়াখি। মসিদসু নৎতনা নেপালগী মনাং মার্সয়াংদিগা শান্নবা মেটচ অমদা গোল চনবা মঙদুনা খ্বাইদগী নহা ওইনা টুর্নামেন্ট অসিদা গোল চনবা শান্নরোই ওইখি।

# সেরি এদা ফোরেন্টিনা অমসুং এ এস রোমমা পায় পাকখ্রে

রোম, ওক্টোবর ২৭ (এজেন্সি)ঃ ঙসি ষ্টাদিও কোমুন্যেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা সেরি এগী লীগ মেটচতা এৱে টিম লাজিওনা য়ুম্বু ফোরেন্টিনাবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী মিনট ২২ চৎপদা লাজিওগী জাওকোয়েন কোরেলানা গোল একাউন্ট হাঙখি। অদুবু য়ুম্বুনা মিনট ২৭ চৎপদা ফিদ্রিকো চৈশানা গোল হন্দোক্কুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১-১ দা মান্না লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা লাজিওনা হোৎনবা লেপ্তুনা শান্নখিবনা মেটচকী অপীবা মিনট লোয়রমদাই ৮৯ দা মখোয়গী ষ্টার প্লেয়র ইমোবিলি টিমগী মায় পাকপগী গোল অদু চন্দুনা য়ুম্বুদগী লাজিওনা পোইন্ট ৩ মুনখি। মেটচ অসিদা য়ুম্বুগী শান্নরোই লুকা রনৈরিদা মিনট ৯০ দা রেদ কাদ বুক তৌখি।

লীগ অসিগী ষ্টাদিও ওলিম্পিকোদা শান্নখিবা লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুম্বু রোমানা এস সি মিলানবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী পুঙ্খায় ফাওবদি নাকল অনীনা লম্বা মান্নখিবনা গোল একাউন্ট হাঙবা ঙম্মদনা লৈন্নখি। অদুবু য়ুম্বুগী ষ্টাইকর হিদিনজেকোনা মিনট ৩৮ চৎপদা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এ সি মিলানগী মায়কৈদগী গোল হন্দাক্লবা হোৎন্নরক্কুনা মিনট ৫৫ চৎপদা থিও হনাদেসনা গোল হন্দোক্কুনা ১-১ দা মান্না লৈদুনা মেটচকী লমজেলদা লাক্লবা হোৎনখি।

অদুবু য়ুম্বুগী নিকলো জানিওলোনা গোল মান্নখ্রবা মতুংগী মিনট ৪ কান্নরগা ৫৯ চৎপবদা টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা অরোয়বা মিকুপ ফাওবা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা পোইন্ট ৩ ফঙখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com